# টালিবান ফাইটরশিংনা ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানগী দিষ্ট্রিক্ট অমা খুদুম চনশিনখ্রে



গার্দেজ, অফঘানিষ্টান, ওগষ্ট ২৭ ঃ
টালিবান লালহৌবশিংনা ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমা থোমজিন্দুনা পায়শিনখ্রে, পুলিস অমসুং লান্মী দজন কয়া হাৎখ্রে নৎত্রগা শোকহনখ্রে লোয়ননা পাকিষ্টান তাবা ষ্ট্রেটিজিক্কী ওইনা মরু ওইবা কংফালগী লম্বী কয়াদা মখোয়না মিৎয়েং থমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্টর্ন প্রোভিন্স পাকতিয়াগী জানি খেল দিষ্ট্রিক্টকী গভর্ণর অব্দুল বেহমন সোলামালনা হায়খি মদুদি অহিং চূপ্পা অকনবা মওংদা লাল শোক্লরব মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং হনে দাকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অদু দিষ্ট্রিক্ট নিপানগী লংদাইনফম অমদা লৈ। মফম অদুনা পাকতিয়াগা যুল্লোন্নরিবা খোষ্ট প্রোভিন্স অমসুং পাকিষ্টানগা শম্নহল্লি।

'টালিবান্না ঐখোয়গী দিষ্ট্রিক্টপু নুমিৎ মঙানি চূপ্প্না কৈইশিন্দুনা থমখি' হায়না মহাক্না রেইটর্সতা হায়খি। টালিবান চা কয়ানা অহিং চূপ্পা ঐখোয়গী চেক পোষ্টশিংদা এটেক তৌথি। 'ঐখোয়না মদু নৌহৈননা অমুক লৌশিন্দবা তারবদি টালিবানন্না য়াম্না থুনা প্রোভিন্স অমদগী অতোপ্পা প্রোভিন্স অমদা চৎপা ঙমই অমসুং য়ামদ্রবদা প্রোভিন্স অহুমদা সিক্যুরিটিগী ফীভম শোকহনবা য়াই' হায়না মহাক্না হায়খি।

এটেক অদু অফঘানিষ্টানগী অতৈ শরুকশিংদা মরু ওইনা সাউদর্ন প্রোভিন্স হেলমন্দদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরিঙৈদা চথুরক্লিবনি। হেলমন্দা ঙাকশেলগী ফীভম ফগৎহন্নবা য়ু এস মিলিটরিগী এদভাইজরশিং কুন্দুজ সিটিগী অকোয়বদা দিপ্লোই তৌখি। সিটি অদু হৌখিবা চহীদা লালহৌবশিংগী খুৎতা মতম খরা তাখিবনি।

অহিংগী লাল অদুদা লান্মী অমসুং পুলিস ২০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০ অশোক-অপন নংখ্রে অদুগা টালিবান লালহৌবশিংগী মায়কৈদা নংখিবা মীশি-মীনাশিংগী ক্লেইমশিং খুদক্কী ওইনা ভেরিফাইদ তৌবা ঙমখিদে। টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুনা মুজাহিদকী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, জানি খেলদা অফঘান লান্মী অমসুং পুলিস দজন কয়া হাৎখ্রে অমসুং য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া মখোয়না কেপচর তৌখ্রে। কেপচর তৌখিবা খুৎশু-খুৎলায়শিংদুগী মনুংদা আমর্দ ভেহিকলশিং, লাইট অমসুং হেভি ৱেপন্স অমসুং এম্ম্যুনিসন য়াওখি।

কোংগ্রেস্নেল ওভরসাইট বোদি অমা ওইরিবা স্পেসিয়েল ইন্সপেক্টর জেনরেল ফোর অফঘানিষ্টান রিকন্সট্রক্সন (সিগার) না জুলাইদা পীখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, অফঘান ফোর্সশিংনা নেস্নেল টেরটরিগী চাদা ৬৫ য়ৌদনা কন্ট্রোল তৌরি। মদু চহী অসি হৌরকপদা চাদা ৭০ খরা হেন্না কন্ট্রোল তৌখিবদগী হন্থরক্লিবনি।

## য়ু এস, রসিয়া সিরিয়াগী অনৌবা সিজফাইয়র পুরকপদা নকশিন্না লৈখ্রে



জিনেভা, স্বিটজরলেন্দ ওগষ্ট ২৭ ঃ
সিরিয়াদা অনৌবা সিজফাইয়র অমা চৎনহনবগী ৱাফমদা য়ানবা পুরক্লবগী মায়কৈরোমদা ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোনা মরু ওইবা খোঙথাংশিং থাংজিনখ্রে, তৌইগুম্বসু হীরমসিগী মতাংদা ফাইনেল দিল অমদি লাক্ত্রি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরি অমসুং মহাক্কী রসিয়ন লেংমান্নবনা ইরাই নুমিৎতা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ফোঙদোকখ্রে।

জিনেভা পাৎকী খোংবান্দা লৈবা অকে-অমৌগী হোটেল অমদা মতম শাংনা ৱারী শানরবা মতুংদা কেরি অমসুং রসিয়ন ফোরন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভনা কম্মেন্টশিং অদু ফোঙদোকখিবনি। 'খুৎ থোক্লবা লেপ্পগী পথাপশিং নৌনা শেমদোক-শাদোক্লবগী মায়কৈদা ঐখোয়না ৱাফম অমদা নাখৈ শেংনা য়ানরে হায়না ঐহাক্না ঙসি হায়বা ঙমই' হায়না য়ু এসকী টোপ দিপ্লোমেট অদুনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, সিজফাইয়র অমা পুরকপদা লৈরিবা টেক্নিকেলগী ওইবা মরু ওইবা অথিংবশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লে তৌইগুম্বসুং ইস্যু খরদি সোল্ব তৌদনা লৈরি।

লাভরোভনা মহাক্কী অমেরিকান লেংমান্নবনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমদুগা মান্নবা ৱারোলশিং পীবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, ঈরাং লেপ্পনবা দিল অমগী মতাংদা মরু ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎলে।

কেরিনা হায়খি মদুদি, মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা য়ু এস অমসুং রসিয়ন এক্সপর্টশিংনা তুং কোয়না চৎনগদবা দিল অমা পুরক্লবগী ৱাখলদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈখায় তাদ্রিবা ইস্যু কয়া কূপ্না খন্নগনি।

## পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনদনা ব্রেক্সিটকী থৌরাং লৌখৎলগনি



লন্দন, ওগষ্ট ২৭ ঃ
বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরীসা মেনা হাউস ওফ কম্মন্সতা ভোট লৌনহন্দনা ব্রেক্সিটকী থৌরাংশিং পায়খৎলকপা য়াই হায়না থাংজ নুমিৎতা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। ইকনোমিক ব্লোক অদুদগী তোক্লবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা জুন ২৩ গী রেফরেন্দম অদুগী এদভাইজরি নেচরদা মিৎয়েং থমদুনা মখা তানা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লৈনিংবা কাঙবুনা অনম-কনবগী ফীভম খরা উৎখি হায়না দেলি টেলিগ্রাফনা য়ু কে গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি।

অদুম ওইনমক রিপোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি, মেনা ৱাফম অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী লোইয়রশিংগা তানখি অমসুং মঙোন্দা মখোয়না আর্টিকল ৫০ শিজিন্নবা য়াবগী ইগজেক্যুটিভ পৱারশিং লৈ হায়খি।

অসুম্না মহাক্না আর্টিকল ৫০ গী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনদনা বৃটেনবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোক্লবগী ফোর্মেল প্রোসেস অমা হৌবা য়াগনি হায়না মখোয়না পাউতাক পীখি।

দাউনিং ষ্ট্রীটকী ছোর্স অমনা পাউচে অদুদা হায়খি মদুদি বৃটিশ মীয়াম্না ভোট পীখ্রে অমসুং মহাক্না হৌজিক ব্রেক্সিটকী থবক হৌরগনি হায়বা নাখৈ শেংবা ফীরেপ অমা প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা লৈরে।

# কাশ্মির ইস্যু সোল্ব তৌনবা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান্না মখা তানা ৱারী শানগদবনি : য়ু এস



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৭ ঃ
ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না কাশ্মির য়াওনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাফমশিং অমসুং ইস্যুশিং সোল্ব তৌনবা মখা তানা দাইলোগকী প্রোসেস চথুগদবনি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈবাক অনীমক্তা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা অমগা অমগা হুন্নবা তোক্লবা তকশিনখ্রে।

অতৈ অতৈ খোঙথাংশিং লৌখৎপগী ৱাফম খন্নদ্রিঙৈদা লৈবাক অনীনা নাকল অনীমক্না লুনা লৌনরিবা ৱাফমশিং অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা তেন্সনশিং কোকহন্নবা দাইলোগকী প্রোসেস মখা তানা চথনবা হোৎনগদবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না লৈবাক অনীমক্তা গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা লুনা লৌনরিবা ৱাফমশিং য়েংশিন্নবা মখা তানা ৱারী শাননবা তকশিল্লি' হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি।

ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি, কাশ্মিরগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী মতাংদা লৈবাক অনীমক্না দাইলোগ চথুদুনা ৱারেপ লৌনগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌই।

য়ু এসকী ফীরেপ অমসুং ৱাখল্লোন্দা অহোংবা অমত্তা লৈতে, ঐখোয়না লৈবাক অনীমকপু দাইলোগ মখা তানা চথনবা পুক্নিং থৌগৎলি। মদুনা লৈবাক অনীনা লুনা লৌনরিবা ৱাফমশিং খঙদোক্তুনা লৈখায় তাথোক্লবা তৌবদা মতেং পাংগনি' হায়না ওফিসল অদুনা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা শোক্লরিবা ৱাহৈগী লালগী মতাংদা পল্লদুনা ওফিসল অদুনা অসুম্না অকনবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শিজিন্নদুনা হুন্নদুনা ঙাওনবসি তোক্কদবনি হায়খি।

'নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া ঙাঙনবগী ফীভম লৈনা-লৈনা নহাক্না চঙশিন্নবা হোৎনবা তারবদি দাইলোগ প্রোসেস লাকহনবদা শোয়দনা ৱাগনি' হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি। 'ৱাফম অসিগা ঈরোয়নন্না টেররিজমগা মরী লৈননা নাকল অনীনা লুনা লৌনরিবা ৱাফমশিংবুসু ঐখোয়না খঙবা ঙমই।

ঐখোয়না ঐখোয়গী পব্লিক অমসুং প্রাইভেট ষ্টেটমেন্টশিংদা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে মদুদি, টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি। অসিগুম্বা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা ওপরেট তৌবগী ৱাফম লাকপদা মখোয়বু খুদোংচাবা ফংহনবা, চঙজফম পীবগী থৌওংশিং চথনিংঙাই ওইদে লোয়ননা টেররিষ্টশিংগী মরকতা ঐখোয়না অফবা ফত্তবা হায়না তোঙান-তোঙান্না খায়দোক্লিংঙাইসু ওইদে। লুনা লৌনরিবা ৱাফম পুন্নমক অসি য়েংশিন্নবা ঐখোয়না নাকল অনীগী মরক্তা নিংথিনা কো-ওপরেসন পীননবা তকশিনখ্রে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি।

বেলোচিষ্টানগী মতাংদা য়ু এসনা হায়খ্রে মদুদি, য়ু এসনা পাকিষ্টানগী টেরটরিয়েল ইন্টিগ্রীটি মপুং ফানা শৌগৎলি। য়ু এসনা ৱাফম অসি লোইদা লৈরিবা বেলোচ লীদরশিংনা পাকিষ্টানদগী নিংতম্না লৈনবা দিমান্দ তৌখিবা, য়ু এনগী সুপরভিজন মখাদা ইন্দিপেন্দেন্ট রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবা তকশিনখিবা অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাবু পাকিষ্টানগী ঈরাং কনবা প্রোভিন্স অদুদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চথরিবদু করিমত্তা খন্নদ্রে হায়না মরাল শীখিবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

## বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ধাকা কেফে এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ হাৎখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ২৭ ঃ
বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা শগোলশেল নুমিৎতা হৌখিবা থাদা ধাকাগী কেফেদা চথুখিবা এটেক অমগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়বা মীশক য়াওনা লালহৌবা মরি হাৎখ্রে হায়না ধাকাগী কাউন্টর টেররিজম পুলিস য়ুনিটকী মকোক্না রোইটর্সতা হায়খ্রে। নিংশিংবা য়াই কেফে এটেক অদুদা অয়াম্বনা ফোরেন্নরশিং ওইদুনা মীওই ২২ শিখিবনি।

মিলিটেন্টশিং অদু অয়ুক অঙনবদা কেপিটেলগী চিদাইদা লৈবা নরায়নগঞ্জ কৌবা মখোয়গী লোৎফম অমদা খঙহৌদনা চথুখিবা রেইদতা হাৎখিবনি। অহানবদা মখোয়দা সরেন্দর তৌনবগী খুদোংচাবা পীখি, তৌইগুম্বসু মখোয়না মদু য়াখিদে হায়না এদিস্নেল কম্মিস্নর ওফ পুলিস মোনিরুল ইস্লামনা হায়খি।

কেফে এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না মরাল শীরিবা বাংলাদেশতা পোকপা কনাডিয়ন সিটিজন টামিন অহম্মদ চৌধুরিসু রেইদ অদুদা হাৎখ্রে হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা কেফে এটেক অদু মখোয়না চথুখিবনি হায়না ক্লেইম তৌখি। অমরোমদা বাংলাদেশি গভর্ণমেন্টনদি আই এসকী ক্লেইম অদু য়াখিদে। তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি এক্সপার্টশিংনা এটেক অদুগী শাথিবগী চাং অমসুং শিনখিবগী মওং অদুনা মদু ট্রেন্স-নেসনেল নেটৱার্কশিংগা মরী লৈনৈ হায়বগী চিংনবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লখি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি ইস্লামিক ষ্টেটনা এপ্রিল থাদা চৌধুরিবু মখোয়গী নেসনেল কম্মান্দরনি হায়না আইদেন্টফাইদ তৌখি। জুলাই ১ গী নুমিদাংগী এটেক অদুদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবশিংদুনা মুস্লিম নত্তবশিং অমসুং ফোরেন্নর হোষ্টেজশিংবু তোঙান্না খন্দোকখি অমসুং ইটলিয়নশিং, জপানিজ, অমেরিকান অমা অমসুং ইন্দিয়ন অমা হাৎখি। পুং ১২ চূপ্না চথুরকখিবা সিজ অদু বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা রেষ্টোরেন্ট অদুদা চঙশিন্দুনা টেররিষ্টশিংবু হাৎলবা মতুংদা লোইশিনখি।

জুলাই ১ গী এটেক অমসুং জুলাই ২৬ তা চথুখিবা অতোপ্পা এটেকসু লৈবাক অদুগী মিলিটেন্টশিংনা চথুখিবা মান্নবা মওংগী এটেকশিংনি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি। জুলাই ২৬ কী এটেক অদুদা পুলিসনা মিলিটেন্ট মাপন হাৎখি।

হৌখিবা চহী অহুম্লোম অসিদা বাংলাদেশতা ইস্লামিষ্টশিংনা ফোরেন্নর কয়া, এক্টিভিষ্ট কয়া অমসুং লাইনিং-লাইশোলগী মাইনোরিটি গ্রুপশিংগী মেম্বর দজন কয়া হাৎখি।

কেফে এটেক্কী ভিক্টিমশিং য়াওনা মীওই কয়া থাংপাক্কী মওংদা শাবা থাংশিংনা য়ান্দুনা হাৎখি হায়রি। কেফে এটেক অদুগী অতোপ্পা মাষ্টরমাইন্দনি হায়না থাজনবা জিয়াউল হক কৌবা মফম লৌথোকখ্রবা আর্মি মেজর অমসু লোৎখ্রে হায়রি।

## নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংশিং য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ২৭ ঃ
সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌনবগী থৌরাং অমা লৌখৎখিবগী মতাংদা চাইনানা য়ু এনবু য়ানিংদবগী ষ্টেটমেন্ট অমা ফোঙদোকহন্নিংখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংশিংবু কন্দেম তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বেলোষ্টিক মিসাইল অমা সবমেরিনদগী কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখি। মদু জপানগী মায়কৈদা কিলোমিটর ৫০০ রোম শান্না পাইখি। নাইতোম তারবা লৈবাক অদুনা য়ু এনগী রিজোল্যুসন কয়াবু থওইদদুনা চথখিবা মিসাইল চাংয়েংশিংগী মনুংদা সবমেরিনদগী থাগৎখিবা বেলোষ্টিক মিসাইল অদুনা খ্বাইদগী নৌবা ওইখি।

বেলোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী বেলোষ্টিক মিসাইলগী এক্টিভিটি খুদিংমক সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা কন্দেম তৌই' হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোর্মেল মমিং পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা য়ুমশকৈশাগী মিসাইল লোঞ্চ লোয়না-লোয়ননা জুলাই ৯ দগী চথুরকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী অতৈ বেলোষ্টিক মিসাইলশিংদা রিফরেন্দম পীখি।

'অসিগুম্বা থবকশিং অসিনা দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংগী দেলিভরি সিষ্টেম পুথোক্লবা নৎত্রগা ফগৎহন্নবা হোৎনৈ হায়বসি তাকচৈ অমসুং টেন্সন হেনগৎহল্লে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

মমাঙদা ফোঙদোকখিবগুম্না কাউন্সিলনা ফীভমদু মখা তানা কূপ্না মোনিটর তৌখিগনি অমসুং কাউন্সিলনা হান্না লৌখিবা ৱারেপকা চান্নমা মরু ওইবা খোঙথাং কয়া লৌখিগনি হায়খি।

থা অসিগী অঙনবদা কাউন্সিলগী মেম্বর ১৫ না নোর্থ কোরিয়ানা ওগষ্ট ৩ দা বেলোষ্টিক মিসাইল থাগৎখিববু কন্দেম তৌনবা য়ু এসনা ড্রাফট তৌদুনা পুথোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবনি। ওগষ্ট ৩ গী বেলোষ্টিক মিসাইল অদু জপানিজশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঈশিংগী মনাক্তা তাশিনখিবনি।




HL-B/3268/19/08-18/09


# EMPLOYMENT NEWS

**IBPS Clerks -VI Notification 2016 – 19243 Clerical Cadre Vacancies – Last Date 12 September**

Institute of Banking Personnel Selection (IBPS) invites Online Application for CWE Clerks -VI for the post of 19243 Clerical cadre in Nationalized Banks and Any other bank or financial institution. Common Written Examination will be conducted online by the Institute of Banking Personnel Selection (IBPS) tentatively in November/ December 2016 & January 2017. Apply Online before 12 September 2016.

**Participating Organisations :**
Allahabad Bank, Canara Bank, Indian Bank, Syndicate Bank, Andhra Bank, Central Bank of India, Indian Overseas Bank, UCO Bank, Bank of Baroda, Corporation Bank, Oriental Bank of Commerce, Union Bank of India, Bank of India, Dena Bank, Punjab National Bank, United Bank of India, Bank of Maharashtra, ECGC, Punjab & Sind Bank, Vijaya Bank, Bharatiya Mahila Bank, IDBI Bank Any other bank or financial institution.

Job Location : All India

**Job Details :**

Name of Posts :

Clerical cadre (CWE Clerks -VI)
No. of Vacancies : 19243 Posts

**State wise Vacancies :**

Andaman & Nicobar : 25 Posts
Andhra Pradesh : 699 Posts
Arunachal Pradesh : 13 Posts
Assam : 389 Posts
Bihar : 770 Posts
Chandigarh : 88 Posts
Chhattisgarh : 302 Posts
Dadra & Nagar haveli : 02
Daman & Diu : 01 Post
Goa : 96 Posts
Gujarat : 769 Posts
Haryana : 792 Posts
Himachal Pradesh : 314 Posts
Jammu & kashmir : 83 Posts
Jharkhand : 271 Posts
Karnataka : 1467 Posts
Kerala : 842 Posts
Lakshadweep : 20 Posts
Madhya pradesh : 1059 Posts
Maharashtra : 1343 Posts
Manipur : 22 Posts
Meghalaya : 23 Posts
Mizoram : 13 Posts
Nagaland : 12 Posts
New Delhi : 983 Posts
Odisha : 591 Posts
Puducherry : 09 Posts
Punjab : 1335 Posts
Rajasthan : 975 Posts
Sikkim : 15 Posts
Tamil Nadu : 1032 Posts
Telangana : 546 Posts
Tripura : 50 Posts
Uttar Pradesh : 2612 Posts
Uttrakhand : 330 Posts
West Bengal : 1350 Posts

**Eligibility Criteria :**

Educational Qualification : A Degree (Graduation) in any discipline from a University recognised by the Govt. Of India or any equivalent qualification recognized as such by the Central Government.
The result should have been declared on or before 12.09.2016.

Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 28 years (As on 01.08.2016)

Age of Relaxation :

Scheduled Caste/Scheduled Tribe : 5 years
Other Backward Classes : 3 years
Persons With Disability : 10 years

Selection Process : Selection process will be based on Online Preliminary Examination, Main Examination.

**Application Fee :**

For SC/ST/PWD/EXSM Candidates : Rs. 100/-
For All Others Candidates : Rs. 600/-

The payment can be made by using Debit Cards (RuPay/Visa/MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets by providing information as asked on the screen.

**How to Apply :** Candidates are required to apply online through IBPS website http://www.ibps.in/ between 22.08.2016 to 12.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission Of Online Application : 22.08.2016

Last Date For Submission Of Online Application : 12.09.2016
Date of Online Payment of Application Fees : 22.08.2016 to 12.09.2016

Download of Call letter for Preliminary Examination : 18.11.2016

Date of Online Examination Preliminary : 26 & 27.11.2016 03.12.2016 & 04.12.2016

Result of Online exam – Preliminary : December 2016
Date of Online Examination – Main : 31.12.2016 & 01.01.2017

Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.ibps.in/wp-content/uploads/Detailed_Advt_for_Recruitment_of_Clrks_ CWE_Clerk_VI.pdf

Apply Online : http://www.ibps.in/cwe-clerical-cadre-6/